## ৱারী মচা

# হকচাং ৱাংমগী হকচাং

*– কৈশাম বীরেন্দ্র, হৈলাকন্দি–*

**য়ূম** লাপ্পবা, খুন লাপ্পবা লাইরিক্লোয় মরুপ অনী শহরগী য়ূম অমগী কা অমদা পুন্না ভারাদা লৈমিন্নে। চাবা থকপসু পুন্না, ফমুংসু খন্ত্রাংনা থাদুনা হিপ্নে।

নোংমা ছুটি থোকপা নুমিৎনি। মরূপ অনী ফমুং ফমুংদা ফম্লগা লাইরিক পানরম্মী। মতম অদো অয়ুক্কী পুং ৮ / ৯ লোম তাবগী অদুৱায়নি। মতমদুদা মপান্দগী কনাগুম্বা অমনা কৌরক্লম্মী–

"বিমোল, বিমোল, সুরেশ, সুরেশ! নখোয়নিবু করি করি তৌরিবগে?"

সুরেশ মপান্দা থোক্লকই–

"এ, এ ঙসিসিবু কৈ নুমিৎনো? নোংমতং ঐখোয় ভারাদা লাকউ য়াদবা নখোয়নিনা ঙসি ফুৎ ফাওদোক্লক্লিবসিবু? চঙকউ, চঙকউ।"

মখোয় অনীদো চঙকই। ফম্বাৎত্রি। ৱা ঙাংগনবা সুরেশনা শরুক অদুদসু ৱাহৈ অমমুক য়েপশিলহৌই–

"নশক্লা নশক মান্নরিবা, নুমিংনা নমিং মান্নরিবা। অরুন–বারু।"

সুরেশকী ৱাহৈ, ৱাঙাং মওং, হায়রক্লিবা ৱাঙাং ৱাতাদু তাবদা মখোয় মরূপ অহুমদো চপ মান্ননা হৌনা নোক্লকই। সুরেশনা য়াওশিল্লকই নোকপদুদা। অরুননা সুরেশকী ফমুংদা, বারুননা বিমোলগী ফমুংদা ফম্লগা মখোয় মরূপ মরি ৱারী শান্নরকই–

"চখোক্কনখিদ্রবা নখোয়নীনা লাক্লিবসি চুম্না লাকপদি নৎলপ্লোই? উমাইবীনবু লেম্না হুমথরক্কদ্রাও?"

ৱারীগী মরক অদুদসু সুরেশনা ৱাহৈসিমুক নপশিলহৌই।

"কৈশুগী নত্তেদা। ঐনা স্কুল লাইব্রেরিদা লৈকোয়রোলগী লাইরিক অমা থিরুবদা লাইরিক্তো বিমোলনা পুখ্রে হায়বদুদা অমুক্তা লৌগে লাকপনি।"

ছুটি নুমিৎনি। ৱায় শংবা নুমিৎনি। মখোয় মরি স্কুলগী পারাগী মরমদা ৱারী অসুম শান্নরকপদা পারা মপানগী ৱারীসু য়াওশিল্লকই। মওং মওংগী ৱারী শান্নরকই। আধ্যাত্বিক্কী মরমগী ৱারীসু য়াওরকই। সুরেশনা হংলকই–

"মীওইবনা শিরবা মতুংদা মখোয়গী থৱায়দো কদায়দা চৎলি?"

"মুক্তি ফংলবা থৱায়দি স্বর্গ কায় হায়নৈ। মুক্তি ফঙদবা থৱায়দুনা মরক্তা হায়দুনা লৈ হায়নৈ। চুম্বা, চুমদবদি খঙদে।"

"হোয়দা, কনানা খঙবা ৱানো?"

বারুননা হায়রকই। অরুননমুক ৱারী মখা শমথরকখি।

"ঐনা হন্দক্তা তম্নবা, ভুত–পেনতকী মরমদা ইবা লাইরিক অমা পাখি। ৱারীদো চুম্বা, চুমদবা অদুদি খঙদে। অদুগা করিগুম্বা ৱারীদুনা অচুম্বা ৱারী ওইরম্লবদি অঙকপা ৱারীনি হায়বা তাই।"

সুরেশনা ৱারীদো তানিংমনখিদুনা অরুনদা ৱারী চথনবা তকশিল্লকই–

চা বাগান অমগী ৱারীনি। বাগানদুগী মেনেজরগী বঙ্গলোদো নেমতক তৌবা চীংদোং অমগী মথক্তা লৈ। বঙ্গলোগী খা মায়কৈরোমদা বঙ্গলোগা তাইনবা পীক্তক তৌবা, লৈতেম মান্নবা লম্পাক অমা লৈ। লম্পাক্কুগী নোংপোক থংবা ময়কৈদা ঙল্লি ঙল্লিবা লম্বী অমা বঙ্গলোগী থোঙজিন ফাওবা লাকই। মদু বঙ্গলোদুদা চখোক চৎশিন তৌনবা লম্বীনি। বঙ্গলোদুগী খা থংবা মায়কৈদা খুদুপ তরেৎ নিপান পাকপা স্কৱার মওংগী কা মচা, মপান্দা অচৌবা য়োৎকী তারাগী চালোনি খাই। মদুগী মনুংদা চিরিক হোদনা মিংশেলসু চল্লি। কাদুগী নোংপোক থংবা মচিদুদনি বঙ্গলোগী লম্বী কাথোক কাশিন তৌবা লম্বীদুগী হেক মপাদা বঙ্গলো চঙফমগী থোঙজাও। করিগুম্বা মপানগী নুংশিৎ বঙ্গলোগী মনুংদা চঙহন্নিংলবদি মিংশেল চনবা শরুক্তো মায়কৈ অমদা চিংথোক্লগা নুংশিৎ চঙহনবা য়াই। মিংশেলদুগা তাইনবা মনুংদা ফিজংসু কাদুগী মপানথংবা মায়কৈদো থুংনবা খল্লি। ফিজং চিংথোক্লবদি খা থংবা মায়কৈদো আ লাপ্পা ফাওবা উবা ফঙই।

ৱারীগী মতাং অসি য়ৌরকপদা বিমোলনা মখোয় মরিগী চা পুথোরকই। চা থকমিন্নে। চা থক্ল থক্লা সুরেশনা য়াম্না খৌরাংনা –

"মদুদগীদি?"

অরুননা ৱারী মখা চথরকই, –বঙ্গলোদুদা মী লৈবা লৈতবা মতম পুম্বদা নেপালী চৌকিদার অমদি লৈ। বঙ্গলোদু শঙই। বঙ্গলোগী খা থংবা মায়কৈগী নোংপোক্কী থোঙজাওগী থোঙজিল ময়াদা বঙ্গলোগী মনুংদা কাচিন্দা টুল অমা লৈ। মদুদা চৌকিদারগী ফম্ফমনি।

মেরা হিয়াঙ্গৈ মতমনি। নিন্দুংগী নুমিৎ মরি মঙানি চথখ্রবা নোংয়াই মতুংগী ৱাউরি ৱাউরিবা, লৈচিন কাবক কাবক থাবা থাবল মঙালদুদা ঙল্লি ঙল্লিবা বঙ্গলো কাবগী লম্বীদুদা ফিরু ফিরাং কুপ্পা মী অমা কারকপা উই। মদু উবদা চৌকিদারদুনা মনাক্তা ঙাদুনা লৈব দু–নোলা নোংমৈদো মখুত্তা পায়খৎলগা চেজেৎ পায়শিন্দুনা বঙ্গলো তম্না কাখৎলক্লিবা মীদুদা মুন্না য়েংদুনা শেম শাদুনা লৈরম্মী। মীদো মোং ইহা হাদনা তপ্না তপ্না কাখৎলকই। তপ্না তপ্না নকশিল্লকই।

"মীদুবু নুপীরা, নুপারা?"

বিমোলনা হংলকই। অরুননা ৱারী মখা চথনা খুম্লকই।

"নুপীরা, নুপারা অসুম হায়রক্কে তাও। মীদো অসুম অসুম কাখৎলক্কুনা চৌকিদার লৈরিবা অদুদগী খুদুপ তরামরি মঙামুক ঙায়রকপা মতমদা নুপীনি হায়বা খঙই। ছারী শেৎলি। মকোক্তা শারীদুনা কুপখিবনা মশক লাকপা ঙমদে। চৌকিদারদুনা মতোমতা খল্লি, "ওক্তবী নুপীরা" হায়না। শাওনিংলপ তৌই চৌকিদারদো। নুপীদো মাগী থাংলক্লিবা খোঙথাংদো ইকায় কায়দনা অসুম অসুম নকশিল্লকই। খুদুপ মরি মঙাদমক ঙাইরে। চৌকিদারদুনা মতমদুদা "কনানো' হায়না হেক লাউগে তৌরকপদা মফম মরাং খঙদনা মাঙখ্রে। স্বাই লাউই চৌকিদারদো। "ইস করিনো" হায়না লেপ্লম্বদগী ফমথৈ।

চৌকিদারদুনা নৌনা লাকপদুদা খঙদবগী ৱানি। ৱারীদুদি বাগানগী মী পুম্নমক্লা খঙলবা ৱারীনি। মরম অদুনা মদুদা লাকপা মেনেজর, চৌকিদার বঙ্গলোদুদা খরনি লৈরগা থাদোক্কুনা হেক্তা চৎখি হায়।

মরক মরক্তা ফিরু–ফিরাং কুপ্পী নুপীদো নোংয়াই মতুংদা লৈচিন্না থারি থারি তৌবা, ৱাওরি ৱাওরি তৌবা থাবল মঙালদা লাকই হায়। লাকপগা মাগী মহৌশানা মাঙফমদো য়ৌরকপগা মাঙখি হায়। অহানবদা চৌকিদারদো য়াম্না কিরম্মী। কায়নথংদদি কিখিদ্রে। অদুবু নুমিদাংদদি চৌকিদারদো বঙ্গলোগী মপান থোক্তে হায়।

নোংমদি নহা, পাখঙমচা মেনেজর অমা বাগানদুদা লাকখি। থা অমা অনীগী মতুংদা তম্নবগী ৱারীদো তাখি। মরম অদুনা মহাক্লা তারিবা ৱারীদো অচুম্বরা হায়দুনা চৌকিদারদুদা হংবদা অচুম্বনি হায়খি। ৱাদো তাবদা মেনেজরদো কিথুপ কিরুম তৌরম্মী। অদুগা য়েংবসু য়েংনিংলম্মী। অদুনা মহাক্লা চৌকিদারদুদা নুপীদুনা থোক্লকপা মতমদা মাবু হৌদোরকউ হায়না হায়দুনা থম্লম্মী।

মেনেজরদুনা বাগানদুদা লাকপগী থা অহুম খরা হেল্লবা মতুংদা লৈচিন্ন থারি থারি থাবল মঙালনা ৱাউরি ৱাউরি নোংয়াই মতুংদা নোংমসু অমুক বঙ্গলোরোমদা নুপীদো মাগী মহৌশাগী খোঙথাংদুদা তপ্না তপ্না কাখৎলকই। মদুদগী চৌকিদারদুনা মেনেজরদো হৌদোরকই।

"সাহেব, সাহেব, লাক্লে।"

"করি লাক্লবগে?"

"তম্নবী নুপীদো।"

তম্নবা থাজগনখিদ্রবা নহা মেনেজরনি। অদুবু নুমিদাংদুদা তম্নবী নুপীদো উবদা মহাক ঙকখি। নোং ঙানবগা বাগানগী থৌমী ২৫ / ২৬ পুরক্লগা নুপীদুনা মাঙখিবা মফমদো তৌথোকহল্লি। ওখাক লুনা চাউনা খুদুপ মরি মঙা তৌথরবা মতুংদা শরূ শরাং খরা ফঙনখি। শরূশিংদো অমত্তা চিখদনা খোমদুনা পুরগা হিন্দুগী হৌনবী মওং মতুং ইন্না ঈশিং মপান্দা পোলোইখি। মদুগী মতুংদগীদি তম্নবী নুপীদো অমুক হন্না লাকখিদ্রে।

ৱারী লোয়রে। মতাং অদুদা বিমোলনা অমুক চা পুথোক্লকই, থকমিন্নে। চা থক্লা থক্লা অরুননা হায়রকই–

"ৱারীসিবু থাজসিরাও?"

সুরেশতি অসিগুম্বা ৱারী থাজগল্লি। অদুনা হায়রকই–

"ঐদি থাজেবো।"

"পাবা নুংঙাইনবা ইবা মাল্লিবো?"

"নত্তে, নত্তে।"

"নত্তে, নত্তে।"

বারুননা হায়রকপদো সুরেশনা য়ানিংদে।

মখা তানা মানা হায়রকই–

"ঐনা করিগুম্বা নখোয়দগী হান্না শিরবা, অদু ওইরদি অশিবশিংগীসু মালেম অমা লৈ হায়বদো শোয়দনা খঙহনগনি।"

"অস, নঙদি য়াম্না সিরিয়স ওইরিবা জাৎনিনা?"

বারুননা হায়রকই।

"সিরিয়স ওইবৈ ৱা নত্তেদা। ঐখোয়গী শাস্ত্রদা, লাইরিক লাইশু কয়াদা আত্মাগী মরমদা, থৱায়গী মরমদা অসুক য়াম্না উদুনা লৈরিসিদি ?"

"ফরে, ফরে, নঙ হান্না শিরগা খুদম হেক্তা পীরগা লোয়রেদনা।"

বারুননা ৱা য়াংথোক্লবা ফাগী তৌরকপদুদা ময়াম পুন্না হৌনা নোকমিন্নরকই।

দুর্গা পূজাগী ছুটি য়ৌরক্লবদা মখোয় পুম্নমক ময়ূম ময়ূমদা হন্নখি। ছুটি লোয়রবা মতুংদা অমুক ভারাদা হন্নরকই। বিমোল স্কুল হাংবগী নুমিৎ নীনি মমাঙদা নুংথিল পুং ২ গী বসতা ময়ূমদগী ভারা মফমদা লাকই। লাকপদা লম্বীদা গারী বেরা তৌদুনা ভারা য়ৌরকপদা নুমিদাংগী পুং ৮ মুক য়ৌখি। মঙোন্দা য়াওরিবা ভারাগী ছো হাংদুনা চঙলকপদা সুরেশনা হান্না য়ৌরক্কু না মাগী টেবল মথক্তা লেমটোনদু মুশি মুশি থান্দুনা থনম্লগা কাঞ্জল থাদদুনা লৈরম্লে। বারুননা লাকপদা মপানগী ছো লোন্দুনা লৈরম্বদুদা সুরেশ মপান্দা থোকখিমাল্লে হায়দুনা বারুননা মপানগী থোঙদু ছিটকরী পান্দদুনা থোঙনাদুতা হাইজিনদুনা থম্লগা ফনা কুইনা ঙায়রবা মতুংদা বারুন তুমখ্রে। মীৎকপ থোক্কুনা হৌগৎলকপদা নুমিৎ আ য়ৌরম্মে। অদুগা মমাঙথোঙগী ছিটারিদি অদুম লোন্দুনা লৈরম্মী। বিমোলনা থোঙ হাংদুনা পুখ্রিদা চত্তুনা মচিন ময়া শেংদুনা, মমায় মমিৎ তাদুনা অমুক চঙলক্লবা ফাওবা সুরেশতো ইউ উরমদে। বিমোলনা চাকখুম কাদা চঙলগা ষ্টৌবতা চা লোন্দুনা চা কপ অনী, য়েত্তা অমা ওইদা অমা পায়দুনা থোক্লক্লগা মাগী টেবলদুদা কপ অনীমক থম্মী। ঙাইহাক লৈরগা সুরেশতো ইউমক উদ্রবদুদা চা ইংখিবা তারে হায়দুনা সুরেশকীদো থম্লগা মাগীদো থকতোকই।

নুমিৎ ফনা থেঙখ্রে। চাক থোঙবা মতম লানশিল্লক্লে। অদুনা বিমোল চাক থোঙ্গৎপগীদমক কন্না হোৎনরি। মতমদুদা সুরেশনা মপান্দগী বিমোলবু কৌরকই। বিমোলনা মপান থোক্লকপদদি মাবু কৌরক্লিবদো সুরেশ নৎলমদ্রে। সুরেশকী ময়াম্বা অহল রমেশ ওইরম্মে। মতম অদুদা বিমোলনা রমেশ উবদা ইঙক ঙকখ্রে। ঙকপগা লোয়ননা অঙকপা মপৈ অমসু।

"তাচৌ করি থবক্কীনো?"

"পোৎ–চৈ লৌগে লাক্লিবনি।"

"করিগী পোৎ–চৈনো?"

"কনাগী ওইনি সুরেশকীনিদনা।"

"বিমোলগী ঙকপগী মপৈ অমুক্কা অমুক। মীৎকুপকী মনুংদা নোংথাংগুম য়াংনা বিমোলগী মবুক্লিংদা ৱাহং ময়াম অমা কৃক কৃক ইন্নরম্মী–

"সুরেশ কৈদৌরবগে তাচৌ?"

"ঐখোয় ময়াম্বু থাদোক্লম্লগা চৎখ্রেদনা। ঙরাং হুম্নিগী থবক লোয়খ্রে। ঙসি মরিনি শুবা নুমিৎনি।

রমেশকী মমিত্তগী মপি তরং তরং শিন্থরকই। বিমোলগী মশা পুম্নমক ইচোক চোকথখি। মদুগা লোয়ননা লাম্বা ফঙদবা ৱাখল ময়াম্মসু। মানা ভারাদা লাকপদা সুরেশকী কাঞ্জল থাদদুনা লৈরম্বা। লেমটোন মুশি মুশি থান্দুনা লৈরম্বা। মপানলোমদগী থোঙ শো লোন্দুনা লৈরম্বা। মানা তুম্লমদাই মতমদা সুরেশ মপান থোকখিমাল্লে হায়দুনা থোঙগী ছিটকারী হাংদুনা থনম্বা, বিমোলনা হৌগৎলকপা মতমদা শিটকারি লোন্দুনা লৈরম্বা, কাঞ্জল হাইগৎলম্বা, লেমটোন মুখৎলম্বা– মবুক্লিংদা লাকখিবা ৱাহং ময়ামদুগী পাউখুম থিবা লাক্লরম্মী। নোংমা মানা হায়খিবা ৱা, 'ঐনা নখোয়দৈ হান্না শিবা থোক্লবদি অশিবগীসু মালেম অমা লৈ হায়বদো নখোয়দা খুদম শোয়দনা পীগনি।' মদু নীংশিংলকখি। খুদম অদুদা সুরেসনা হায়খিবা ৱাদো বিমোলগী মনাকোংদা হৌজিক্তা মাঙ মাঙ ওনশিন্নদুনা হায়রকপগুম তাখি। ময়াম্বা রমেশনা মাগী মপোৎ–মচৈ পুম্নমক পুদুনা চৎখ্রবা মতুংদা মাগী হাংলম্বা ফমুং, হাংলবা টেবল উবদা বিমোলগী পূক্লিংদো অহাংবগী অহাংবা ঙাক্তা ওইখ্রে।

## তাবুনুংদগী

*কবুই নুপাশিংনা খূৎনা লেন্দুনা খোঙবা ইশৈগী খূৎলায় অমনি "রাই"। খূৎলায় অসিগা লোয়ননা শকপা ঈশৈশিংবু "রাই –লু" হায়রগা খঙনৈ। ঈশৈবু কবুই লোন্দা "লু" কৌই। রাইগী অকক্লবা শীজিন্নফম লৈতে। কবুই কাঙলূপ্পা শক্লবা ঈশৈ মখল খূদিংমক্তা খূৎলায় অসি লোয়নৈ। অসুম্না রাইগা লোয়ননা খূনগী লৈ লাংবদা পাখঙ লৈশা ময়াম্না জগোয় শারগা শকপা কবুই লোনগী ঈশৈ মতেক অনীখক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

**হে মুনজনখে–এ**

"হে মুনজনখে–এ
থেমলাই নৈ মুনজনখে–এ
থেমলাইনৈ লেংদি লুংশো
চমুন জনতালগে অনথেন্নমৈ...।"

**(মৈতৈ লোন্দা হন্দোক্লবা ঈশৈ)**

লৈবু য়েল্লিয়ে,
থেন্নাইনৈনা লৈরাং য়েল্লি,
পূক্লিং হুনা ফজরবা লৈরাংশিং,
শাবি শানৌ কয়াগী,
লেপ্পা লৈতনা য়েনখিনি ...।।

**না–কাতু–লূ**

"না–কাথু–লু
অপুইলে লাওকুম জিয়ে,
কাইবম্মৈ গাইয়ে
কাইবম্মৈথু
অমথেন ফৈবান লা
তুনাচাং ফাংমৈ গাইয়ে...।"

**(মৈতৈ লোন্দা হন্দোক্লবা ঈশৈ)**

পলেম ঐদি লৌ কুমজনিংদে,
য়ূমদা লৈজগে,
য়ূমদা লৈরদি,
অনথেম ফিবু ইন,
ইশানৌ মাগী লম্বী য়েংবদনা নুংঙাইজে...।

## মণিপুরী পাম্ছে–পাউরৌ, পাউতাক

- **খূবাক খুদুনা নোকপা।।**
  – ময়াম্না করেম্নবা য়াওনা নোক্লবিবা।
- **খূৎ–শা প্রোক প্রোক থেত্তুনা খাঙবা।**
  –তৌফম খঙদনা য়াম্‌ন শাওনিংবা।
- **খূৎ পায়দুনা তাকপী তম্বীরকপা।**
  – নুংশিনা হৈশনু শিংসনু হায়না তম্বীরকপা ওঝা।
- **খুল্লাকপম থোলাং হাও পী পোং দোলাইরেং।**
  – মীবু করেম্নবা মৈতৈ পাঙলগী ৱাঙাং।
- **খূদোনবী মরৈ–মরা চাবরা?**
  – খূদোনবী হায়বসি লৌনম চাউই।
- **খূদোম্বীনা জগোয় শাবা।**
  – মীনা তৌ তৌ হায়বা তৌবা।
- **খূদোম্বীনা উংদুনা পুবা।**
  – মীনা হায়রিমখৈ য়াবা।
- **খূদোম্বীনা মমিত্তা থিনবা।**
  – খঙননবা তাকপা।
- **খূদোম্বীনা থিন্দুনা তাকপা।**
  – অপান্ননা খঙহনবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- বার্ত্তন অমা হায়বসি ব্রহ্মণগীদি নুংঙাইনিংঙাইনি, অনৌবা নাপীনা ষণদা নুংঙাইনিংঙাইনি। মপুরোইবদা কামরাগ হেনগৎলকপনা লোয়নবীগীদি নুংঙাইনিংঙাইনি অদুগা ঐগীদি কৃষ্ণ নুংশিবা হেনগৎলকপদা নুংঙাইনিংঙাইনি।
- অতোপ্পগী নুপীদা ইমা ওইনা, অতোপ্পগী মরনদা লৈতুমগুম অদুগা হকচাং পানবা পূম্বদা মশামক ওইনা উরিবা মীদো পণ্ডিত কৌই।
- ধর্ম কায়দবা, ঙাংথোরকপদা মেঙবা, দান তৌগনবা, মরুপ লোয়নবদা মক্তবা, গুরুদা নোল্লুকপা, পূক্লীং চেৎপা, লমচৎ ফজবা, গুণ কয়ানা তিনবা, শাস্ত্র ফজনা খঙ–হৈবা, শক্তম ফজবা, ভগবান শিবদা অদুগা নিয়ম কায়দবদা কন্না নীংজবা (হায়রিবশিংসি অফবা মীদা য়াওই)।
- কল্পতরু (অপাম্বা পীবা পাম্বী) উনি, সুমেরু চীংনি, চিন্তামনি নুঙনি, নুমিৎ চাকথেক্লা শাই, থা হোংনাইবনি অদুগা শিথবনি, চাউরবা সমুদ্র থুমহিনি, কামদেবগী হকচাং লৈতে, দিতিগী মচা বলি হিংচাবনি, কামধেনু শানি, হে রঘুপতি রাম, ঐনা নহাকপু কনাগা পান্দমসিগে!
- রাজব্যবহারদি নিংথৌমচাদগী, ফজবা ৱাঙাং পণ্ডিততগী, জ্বারীদগী ওইদবা ঙাংবা অদুগা নুপীদগী নমথাক তমগনি।
- তুংগী য়েংদনা খরচ তৌবা মী, ময়ূম লৈতনা হাতে–হাতে থবক শুবা মী, খৎনবা পাম্বা মী, ওইনিংবা মখলগী মী ওইরবসু নুপীদা ঙাওজবা মীদি থীন্দনা মাঙ তাকপনি।
- অশিংবা মীনা চীঞ্জাক্কী ৱাদে, ধর্ম খক্তগী খল্লি। চীঞ্জাক হায়বসিদি মীদুনা পোকপগা লোয়ননা শেমখ্রবনি।
- ঈশিং মরীক মরীক পূনশিল্লগা চফু থল্লি, অসিগুম্না বিদ্যা পূম্বা, ধর্ম অমসুং লনবুসু ফংইবনি।
- অহল ওইরবা ফাওবা মবুক ফত্তবদুদি তশেংনা ফৎত্রবনি। মুল্লবসু ইন্দ্রবরুণ কৌবা হৈনা থুম্বা লৈতবগুম্বনি।
- পুন্সি তেঞ্জরবসু অফবা থবক তৌরমগদবনি, মদুমক অচৌবা পুন্সিনি। ৱানা অমসুং ফত্তবদা তৌদুনা য়াম্না, শাংনা হিংবদি অচৌবা পুন্সি নত্তে।
- হৌখ্রবগীদমক ৱাফদে, তুংগীদমক নুংনাংফদে। হৌজিক ওইরিবা মতমগী চপ চাবদু য়েংদুনা তৌগনি অশিংবনা।
- লাইগুম্বা মী, ফিদম্নফম ওইবা মী, মপা হায়রিবশিংসিদি মহৌশানা পেনগনবনি। মরী–মতাদি লুনা তৌবা অদুগা চাহন–থকহনবনা পেনবনি। অশিংবশিংদি ৱাহৈ (ফজবা) দা পেনবনি।
- ওন্থোকপনিদা, ঙকইদা মহাত্মাশিংগী লমচৎশিংসে। লক্ষ্মীবু নাপীগুম খল্লি, (মদু ফংলগদি) মাগী অরুম্বদুদা নোম্ছে।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## শৈরেং

### ফাগীদি নৎত্রেহে

*– ডা. সমর সলাম*

মালেমগী লৈবাক ১৯০ গী মথক
নাবগী মশীং লাক্ষ ১৭কী মথক
শিখিবা মশীং লাক্ষ ১ গী মথক
ফগৎপগী মশীংনা লাক্ষ ৩ গী মথক
হাইস ফাগীদি নৎত্রেহে!
মহীকসি উরব্রা
অশিবা অমত্তা থেঙনব্রা
অনাবনা করমহাই তৌই
ডাক্তর কয়া শিখ্রে
নর্স কয়ানা লৈখিদ্রে?
লায়ওং খঙঙবা নৎত্রা
হীদাক লৈরে হায়বরা
নুমিৎ কয়ানিনো লোগদাউননা
শাংদোক্লগনা চানবা কদায়দগী
ফাগীদি নৎত্রেকো কোরোনাসে।
কিখৎলকই পংকিদা ঐ
কাংনা চিকএ মহীক্তু য়াওরব্রা
মনা মশীং লৈরুই মহীক্তু নীংশিংলকই
নত্তবা তোকঙা শন্দোকপিগনু
ফাগী নত্তেকো তৌরিসে।

### থম্মোয় পান্দবা

*– থৌনাওজম লেইনা, বাংলাদেশ*

নুমিদাংৱাইরমগী থাজ
নিংথিরবা মথক্কী শক্তম
য়েংবা ঙমখিদে পেন্না অমুক্তং।
থম্মোয়গী অতিয়াদা থোকখিবা
থাজগী মঙালবু
মমহল্লে নহাক্ল মীৎকুপমদা।
থম্মোয় পান্দবীগুম ঐবু
থাদোকপিরম্লে লক্ষাংদা।
অহিংগী সিঙ্গারৈনা কেনখিবগুম
কেলহল্লে ঐবুসু নহাক্লা
নিঙোল ওইবী মপোক্লি হায়দুনা
করিগী ঐবু নমথাক তৌবিরি?
নঙদি থম্মোয় পান্দবিনি।
মীনুংশি য়াওদ্রবা নঙগী থম্মোয়দো
মদুদনি নহাক্লা ফঙগদবা নুংশি মৈচাক অদো।

### মুৎনাইদ্রবা মঙাল

*– অরাম্বম তোমচা লুৱাং*

তাইবঙ লমজাও থকসিদা
মপূগী শীন্থা পাঙনবা
হিংলি মীওইপোক ওইনা
তাল্লমগনি ফংঙমদ্রবা মঙাল।

মল্লা ফিজোল শেত্তুনা
অৱা–অনা, অরাম খৌরাংবা
কয়াবু তুংওইনরম্লগা।

চৎলি নহাক্লা কনা য়াওদনা
মল্লা তাইবঙ লম্বীদা

লিরকসনু খোঙ্গুল
লম্মাংনরা কয়ানা
লাক্লবদি লম্বীসিদা
ফঙগনি শোয়দনা
মপূগী মুৎনাইদ্রবা মঙাল।

থনমগে খোঙ্গুন
পাক্ল মালেম থকসিদা
ঐ অমা হিংলম্মী খঙনবা।

### নোং

*–তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা*

নোং তাদে!
কুমশি কুমগী নোং তাদে,
ময়াম চঙনা কৌরি নোং,
নোং–ও চুথরো
হনুবা হনুবী তাওথরো,
লাইজিং মতোল থুমহৎলো!

নোং মাসু তাদে, নাচুংদে,
ময়াই চমখ্রে নোংলাও ঈশৈ।

অঙম অথৌসু মীপাইরক্লে,
কুমগী নোংনা লাক্ত্রবদা,
ষণবী চাম্মা শঙ্গোম শুমগদৌরি,
নোংমাইজিং চীংথক কারুগদৌরি,
নোংখুম–নুঙনাও কৌথরুগদৌরি,
ইরিল তুরেলদা ঈতিংলুগদৌরি,
মাইচৌ লোয়শঙ তানরুগদৌরি,
লাইগী লাইথৌ পাঙথোক্লুগদৌরি।

অদুবু,
খবরদদি নোং তাই,
রেদিওদসু নোং তাই,
নোংলৈদা মী শিখরে,
লম্বী নমথরে, মী শোক্লে।

অদুমকপু,
নোংদি তাদে, ঐগী লৈকাইদা,
ঐগী খুঙ্গংদা
ঐখোয়গী লমদমসিদা।

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৪৪। উকংনা হাকথি খনবা করিনো?
৪৫। উমং অমদা সিফাই তরানা থিবা–হুম্বা তৌবা করিনো?
৪৬। করম্বা জীবনা তুমদবগে? করম্বা জীবনা তুম্বগী মহুৎ পোখাবগে?
৪৭। কাপ্পা কাপ্পগা ফুর–ফুরগা চাউথোকপা পোম্থোকপা করিনো?
৪৮। কংফালদা পোকচরবসু ঈরোলনুংদা মতম কুইনা লৈবা চাকতাবা ঙম্বা করি জীবনো ?
৪৯। কংফাল ইকায়থবীদা মীনা শোকপদা মনা উমশিনখিবগুম অচৌবা উজাও খরদি নুমিদাংদা মনাশিং উমশিল্লি। করি পাম্বীনো?
৫০। কুপ্পদগী কুপ্পাসি করিনো ?

***মমাঙ নোংমাইজিং (০৫–০৪–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৪০) মশীং ৫ অমসুং ৭নি, ৪১) উ–ৱানা শাবা, ঈনা কুপ্পা য়ূম মথক কুপত্রিমখৈ লোয়বা কৌদে অদুবুনি, ৪২) উরিক লেংবা, ৪৩) য়া, লৈনা চাবদা ওৎপা

## চয়োল্পাসিগী ফাগী

**লুহোংলবা মতুং!!**

থবক অমগী থা খরা লংফৈদা লৈরুরবা নহা অমা ময়ূম থোরক্তুনা মথন্তা পোকপা মমান্নবা অমগীদা কোইথোরকই। মানা লাকপদা মমান্নবা পাখঙদু থোঙ্গাল ময়াগী পুখ্রি মপানদা ফি–রোল শুদুনা লৈরম্বা থেঙনৈ–

নহা – কৈদৌরে ভাই! বীনা (মমান্নবদুগা নুংশিনজবী) লাক্লগা হেক– হেক শুবিরমদাই লাকপীদ্রব্রাও?

মমান্নবা – (ইকায়–ইকায়) অশ! ভাই নঙদি লংফৈদা লৈখিদনা খঙদ্রবননি ঐখোয় বীনাগা ঐগা লুহোংলে ভাই।

**হৈ–শিংবা পাউমী!!**

পাউচে অমগী পাউমী অমখক্লা নোংমা অসুম চখোরকপদা লম্বী মতাই অমদা মীয়াম ওমশিন্নরম্বা থেঙনরম্মী। লাপতক্লা হংবদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপনি খঙবদগী মখা কুপথরুদনা মীয়াম তিল্লিবদোমদা পরপ–পরপ চঙশিন্দুনা, মীয়ামগী মরক থৎনা চঙশিনবা য়ানবা– "অশোকপসে ঐখোয় মরী–মতাশিংনি লম্বী অমুক্তা থাদোকপীয়ু।"

মীয়াম্না লম্বী পীদুনা চঙলক্লবদদি পাউমীদুনা উই– হুই অমগা ষণ অমগা শিদুনা তারল্লি, শরক মতাইগী খোঙবান্দনা জিপ অমা লোংশিল্লল্লি।

**ইংলিস হৈবা!!**

ওঝা– বোইচা, নঙগী ইমা বাবাগী মিং করি করি কৌই, ইংলিসতা হায়রকউ?

বোইচা– ওঝা, মাই মাদর ফাদর নেম ইজ লভ এন্দ হ্বাইট।

ওঝা– এ! করি হায়রিবনো অদুদি!

বোইচা–ওঝা ইমা বাবাগী মিং নুংশি অমসুং অঙৌ কৌই হায়জবনি।